## এডিটোরিয়েল

### নোংদি তারে ইরমদি কমদৌবা

*মণিপুরদা মমাংদগী চৎনরক্লিবা মওংদা য়েংলগদি হৌজিক নোং চুদবদগী থোক্লকপা ইকংগী থৌদোক অদুদা থেংনখিবা কয়া অদুনা পীখিবা চৈথেং অদুদগী খংবা য়াই। মালেমগী ওইনা ঈশিং–নুংশিৎকী ফিভমদা অহোংবা কয়া লাকপা অসি মরুওইনা কারবোন ইমিসনগী চাং হেৎগৎলকপদগীনি হায়না লৌনরি। অসিগুম্বা ফিভম অসি লৈরবা ফাওবদা মণিপুরদা হোংলক্লিবা ঈশিং–নুংশিৎকি ফিভম অসি করিগুম্বা অমতা নৈনদবগুম থোক্লি। নুংঙাইরিবদি লৈকাই খুদিংদা লৈরিবা ইরম–খোংলম পুন্নমক্তা মশা মশাগী য়ুম্‌দা লৈবা অমোৎ–অকাই পুন্নমক হৈথরগা ফুঞ্জিনদুনা থল্লবা মতুং নোং তারক্‌পা হেক হৌবগা মশা–মশাগী লৈকাইগী ওইনা ইরমশিং কোৎথোকপা হৌরক্‌পা অসিনি। মসিনা তাক্‌পদি মণিপুরদা লৈরিবা সরকারগী অচৌ–অশাংশিংনা নমনা লৈরিবা লমদমশিং ফাওবদা মশাগী সিটিজেন অমা ওইবগী হক অদু খঙদে অমদি মখোয়না সমাজসিদা তৌগদবা মথৌ অদু পাংথোক্তে হায়বা অসিনি। হৌজিক মণিপুরদা লৈবা মফম খরদা পাক্তক্ননা নুমিৎ খরনি অসি নোং চুবদগী হান্না ইকংগী মিপাইনরম্বা অদু কোকখ্রে। মসিগী হেক মখা তারকপদা ইরম খোংলমশিং ফুঞ্জিনখিবগী অৱাবা অমা মায়োক্নরকপা অসিনি। মসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়ামগী খনদনা মীয়ামগী লম্বীদা নালাশিং কোথোক্তুনা মীয়ামদা খুদোং চাদবা খয়া থোকহলিবা অসি ডিপ্লোমেটিক ওইবা সোসাইটিদা লৈরিবা মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না ৱাখল তাদবগী অচৌবা খুদম অমনি হায়না লৌবা য়াই। করিগুম্বা অপ্পর ক্লাসতা লৈরিবা সিটিজেনশিংনা মখোয়গী হক খংনা অমদি মীয়ামগী ওইবা খুদোং চাদবা কয়া থোকহনগদবা থবক শিং তৌরোইদবনি হায়না খনবা তারগদি মখোয়গী মখাদা লৈরিবা মীওইশিংসু লৈবাক্কী ৱাখল খল্লকপা য়াবনি। মদু নত্তবনিনা লম্বী নুংঙাইত্রগসু লম্বীদুদা চৎলিবা মীয়াম্না অচৌ অশাংশিংগী কোম্বোংদা চাইথোক্লম্বা অমোৎ অকায়শিং অদু ফাওরগা চৎলি। মসিমক মীচমশিংনা খঙজদ্রবা মীয়ামগী লুচিংবশিংনসু তম্বীদ্রবা পারা অমনি। নুংঙাইরিবদি অদুগুম্বা মীয়াম্‌দা খুদোংথিবা কয়া নংহল্লিবা হিরমশিং অসিদা মীয়াম্না নত্রগা সরকার অসিনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ওইরিবা ফিভম অসি মখা তানা থোকহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলক্তবা অসিনি।*

*নোংদি তারে মীয়াম্না অপাম্বা অদুমক থোক্লে। মৈ অমসুং ঈশিং হায়বসি হিংবদা খ্বাইদগী হেন্না তঙাইফদবা পোৎলমশিংনি হায়রগসু মণিপুর সরকারদি মৈ অমসুং ঈশিংগী তঙাইফদবা অদু খঙদে হায়বসি দিপ্লোম্যেট শিংনা লৈরিবা মফমশিংদা ওইরিবা ফিভমশিং অসিদগী খঙবা য়াই। পৈশা পায়বা, শেম্ভোক লৈবা অমসুং মশাগী অচারম লৈবা দিপ্লোমেটিক ওফিসারশিংনা অদুক্কী মতিক ভাব তাদ্রবা লম্‌দম অসিদা করম্না মীয়াম্না লাওরিবা খোল্লাও কয়া অসি তাগদৌরিবনো? অসিসু অঙকপা অমা ওইরিবনি। নোং তাদ্রিঙৈদা ইরম–খোংলম্‌দা ইমুং মনুংগী অমোৎ অকায় পুন্নমক হুঞ্জিল্লগা নালা ফুঞ্জিনবা কাংবুনা নোং তারগা নালা কোথোকপা হায়বসি তশেংনা হায়রগদি সরকার অসিগী মরি লৈনবা ডিপার্টমেন্টশিংনা থিংফম থোকই। মদু নত্তনা করিগুম্বা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংদা ইরম নালা কোথোকপদগী থেঙনরিবা খুদোং চাদবা কয়া অদু য়েংদুনা অদুমক্‌ লৈবা তারগদি মণিপুরদা লৈঙাক লৈতে অমসুং মীয়ামগী মীহুৎনা লৈবাক অসি শাসন তৌদে হায়না লৌবা তাবনি। হৌজিকসু সরকারগী মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মীয়ামদগী খোল্লাও লাক্তবা তারগদি করিগুম্বা মখল অমত্তগী মীয়ামগী ওইবা য়াইফ–থৌরাং অমত্তা পায়খৎত্রি হায়বসি সরকার অসিনা য়াফম থোকই। নোং চুদবগী অৱাবদসু সরকারনা মতিক চাবা মতেং মীয়াম্‌দা পীদে, নোংনা লেপ্তনা চুরক্‌পদা ৱাটর বোদিশিংদা ঈশিং লৈত্রবসু সরকারনা শেম্লিবা চাওখৎ থৌরাংঙ মরি লৈনবা অহোংবা কয়ানা থল্লবা চাওখৎলবা ইম্ফালগী লম্বীশিংদা ঈশিং মরাং কায়না লৈরিবসি করিদগীনো হায়বসি খঙফম থোকই। মদু খঙদ্রগদি সরকার পায়রিবনি নত্রগা মীয়মাগী মীহুৎশিংনি হায়রগা চাওথোকচরিবা মীহুৎশিংগী মথক্তা দিপ্লোমেটিক ওফিসারশিংনা লৈরে হায়না লৌবা তাই। ওইরিবা ফিভমসি মীয়ামদা তাইনবগী ৱাফমদি নত্তে। অদুবু ঈশিং লৈতবগীসু অৱাৎপা লৈতবা ঈশিং হেল্লগনা মীয়ামগী খন্দবা ওফিসারশিংনা থন্না লৈরিবমখৈ লৈবাক অসি চাওখৎপা য়ারোই। চাওখৎপগী মমি তাদ্রিবসি মীয়ামগী মিহুৎশিং অমদি য়াইতোং–ফমদোংবশিংনি হায়বা খঙনা সরকারগী মাইকৈদগী থৌরাং অমদি লৌখৎহন্নিই।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মীয়ামগী খনবীয়ু

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

*চিল্লবা ইম্ফালগী বজারগী মনুঙদা গাড়ি খাম্লিবা মীওইশিংনা, ঐনা খামলগা লোইরে, ঐ নুংঙাইরগা লোইরে হায়বগী ৱাখল থাদোকপগী মতম ওইরে হায়জনিংই। মসি নত্তদুনা ঐ মঙাইরে হায়দুনা লম্বী ময়াইদা গাড়ি খামজিন্দুনা অকন–অরেং শাবনদী কুইনা চৎনগদবা নত্তে হায়নিংই। ঐ–খক নুংঙাইরগা লোয়রে হায়বগী ৱাখল থাদোক্লগা ময়ামগী ওইনা খনবনা হেন্না অফবা ওইরক্কনি। ত্রাফিক জাম লৈরগা মোবাইল ফোন তৌদুনা মনিংদা কনা লাক্লি, গাড়ি করি থৌরক্লি হায়বগী ৱাখল খনবা ঙমদবা শিংদি কোইরেঙগৈ ইয়ার ফিলদা গাড়ি থৌরুরো হায়বসিনি। ত্রাফিক কন্ত্রোলসু ওইরো, প্রাইভেট পার্কিং শেন্নরীবশিংসু ওইরো ইমান্দা মান্নবগী থৌওং অমা উরিবা অসি শেমদোকপগী মতম ওইরে। অচৌ অশাংনী হায়রগা হেক্তা মনিং হনবা, মখোয়না তৌরদি ইয়াদা য়ারবা মফম্লা? অচৌ অশাংসু, লাইরবসু চাক চারীবা ঙাক্তনি। অদুনা মীওইবা অমা ওইবগী চপ চাবা চাকথুং ফীথুং মান্ননা লৌবা তাবনি। হৌজিক মণিপুরগী মফম কয়াদা থেংনরীবা অৱাবা অসি করিনো হায়বসি থীদোকপা অমা চংলি। পীকখ্রবা ইম্ফাল ময়োলদা অঙমবশিংনা তৌনীংবা তৌরিবসি য়েংশিনবগী মতম হেন্দোকলে হায়নিংই। গাড়ি থৌরিনি হায়দুনা অতোপ্পদা অপনবা পীরবদি অহাংবা লমহাংদা থৌরুবনা হেন্না ফগনি খল্লি।*

*অদোমগী*
*এ. নাওতোন সিংহ*
*শিংজম্মৈ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

# মীগী চুখোঙ খোৎলুরগদি মীগীদি চাউখিনি

## (লীচংকী মিয়েংদা)

**খন্নসি-নৈনসি- ৩০৭**

**ৱাই চৌঙ্খ্রী ঙানবা লুৱাং**

তাইবং মীওইবা মপোক অসিদি অমত্তনি, অদুবু তাইবং মী অসিদি অমত্তনি হায়রুবা য়ারোই । শক–চু, শাওং–শাদা, পুক্নিং – ৱাখল নচিংবা হীরম খুদিংদা, অমগা–অমগা তৈনরি–খেৎনরি। ফিদি ফি মওইবা, মচু কয়ানা পুল্লগা ওইবা ফিবু ফি অরাংবা হায়নরি। মীদি মী ওইরি, অমগা–অমগদি খেন্নরি, মিয়েং অসিদা য়েংলগা মী–অরাংবা (মীওই–লাং) হায়বসু হায়বা য়াই। মী হায়বসি অমত্তনি হায়না লৌরগসু মানদবা কয়ানা তিল্লি। মানদবশিং নাইতোম–নাইতোম হিংবা ঙমদবনা, পুন্সিন–পুন্সিন্নরগা কাঙলুপ নাইনদুনা হিংনরি। কাঙলুপ মরক্তসু খেন্নবা কয়া অমসু লৈনরি। কাঙলুপ খায়বদা শাওং–শাদা, পুক্নিং–ৱাখল, কুচু–কুমেন নচিংবা মানবা অমসুং মানরপ তৌবা হায়বদি চাঙয়েং য়েংবদা মানবগুম তৌবশিং পুল্লগা কাঙলুপ শাই। মসিবু ঈ–কাঙলুপ হায়না খঙনরি। ঈ–কাঙলুপ পুন্সিল্লগা ‘ঈরূপ’ খঙনদুনা লাক্লি। ঈরূপ পু ইন্দিয়া লোলনা ‘জাতি’ য়ুরোপীয়ান লোলদনা ‘নেসন’ হায়না খঙনরি। লোল খুদিংমক্তসু লৈনরিবনি। ‘ঈরূপ’ হায়বা কাঙলুপ অসিদি – লোল খুদিংমক ফোংদোকপা ঙল্লবা মরোল, ময়েক, মনাৎ, লীচৎ (ধর্ম্ম), পুয়া (হোলিবুক), পুদিন (লিটরেচর), কাংলৈরোল (মিটোলোজী), মশাগী হৌফম লৈপাক নচিংবা লৈজবশিংবু খঙনরি। করিগুম্বদা মরৈবাক মক লৈরমদ্রগসু, অহৈ হীরমশিংসি শুনা লৈজবা ঈরূপতি, য়ুনাইটেড নেসন লিংখ্রবা মুতংদগীদি, ঈরূপ (নেসন) অদুগী নিংতম্বা লৈপাক অমা ফংহনবগী চৎনবী লৈরক্লি। চৎনবী অসিনা ঈরূপ খরা অমদি মশাগী নিং–তম্বা লৈপাক ওইখ্রবনি। খুদম ওইনা ‘ইসরাইন’ পনবা য়াই । অতৈ খরসু লৈবাক্লা খঙনখ্রবদুনি।

অসুম্না ঈরূপ অমা ওইবদা চঙগদবা মচল শুদ্রিবা কাঙলুপশিংনা, ফুরূপ হায়না খঙন্দুনা, মান্ন–মানবা ঈরূপ্তা পুন্দুনা, ঈরূপ্তুগী শক্তম (আইদেন্টিটি) গী ঈমুং চাউহল্লি। ঙসিমক মীতৈ–ঈরূপ অসি চীঙ–তম অনিদা খুন্দরিবা ফুরূপ অচৌবা–মচা ৩০না পুল্লিবা ঈরূপ অমা ওইরি। ঈরূপ অসিগী হৌরকফম ঈরৈপাক, তাইবং নোংশেম লৈ শেম্লকঔঙদগী লৈজরক্লি।

খৃষ্ট্য চহীচা (সেন্চুরি) ২০ শুরকপগী ময়ায় চনশিল্লকপা মতমদগী, নিং–তম্লম্বা লৈপাক অসি অচৌবা ইন্দিয়া (গ্রেটর ইন্দিয়া) শেমগৎনবা, ইন্দিয়ান নেসনেলিজম চাউখৎনবা, ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা চঙখিবা চহি ৬৫ চঙশিনখ্রবনি। ঙসি ইন্দিয়ান ওইনা লেপ্লি। ঙসি মীতৈ ঈরূপ (নেসন) দগী, ফুরূপ মচাশিং খরগী মরক্তগী মীওই খরনা, নাগা ফেমিলিদা তিনবা পান্বদগী নাগানাইজেসন তৌখিবা য়াওরগসু, মীতৈ ঈরূপকী পাঙ্গল হন্থদনা লেপ্লি।

লাইবক থীবদি–ফুরূপ ৩০ কোন্দুনা লেপ্লিবা মীতৈ নেসন অসিনা ইন্দিয়ান নেসনেলিটি গী ঈপাক্তা তিন্দুনা, হেন্না চাউবা ঈপাক–ঈকোল অমা ওইজরুবগী চাউথোকচবা ফংজদ্রিবা অসিনি! চাউথোকচবগী মহুত্তা ঈকাই–ফিরুপ খুম্বা থোক্লি। মসিগী মরম অখঙ–অহৈ কয়ানা অমদি পোলিটিকেল লীডর কয়ানা, ইন্দিয়া য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিবু মীরাইবদগীনি হায়নদবা নত্তে, অয়িবা ইশামকসু, ইন্দিয়ান কন্সর্টিটুসননা ষ্টেট অসিগী মরীদা থল্লিবা পাথাপ–পরিংশিং য়েংলুবদা অকিবা পোক্তবা ঙমজদে, মনিং–মমাঙ থৎপগী ফিভম ওইরি। ফিভম অসিদা ইরাক্লিবা ষ্টেট মীয়াম অসিনা মরু ওইনা ষ্টেট অসিগী অখঙ–অহৈনি খন্না ইকাই খুম্নজরিবা/বী, সিভিল লুচিংবশিং, পোলিটিকেল লুচিংবশিং, লৈঙাক্কী লৈঙাকপশিং অমদি মিচঙ খোম্নদুনা লুপ শাগৎনরগা, ষ্টেট ওঠোরিটিনি হায়না লৌনদুনা মীচম লৈবাক মীয়াম্বু নম্ফু–হাফুদা হোইদুনা, নাকল–নাকল হোইদুনা পুনবা হোৎনবিরিবশিং, পুনমক্লা ষ্টেট মীয়াম অসি কন্সটিট্যুসননা করম্বা মিয়েংদা থল্লিবগে য়েংবিদবা অমদি, খঙজ উজদ্রিবা চম্না হিংনবা লম্বী থিবদা ঈরাক্লবশিংবু কনবিনবা তৌবিদবা করিগীদো ঙক্তবা ঙমদে। ইন্দিয়ান অমা ওইনা চাউথোকপিরিবা ষ্টেট অখঙ–অহৈ লুচিংবশিংনা, ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন নৈনবিদবা করিগীনো? নৈদি নৈনবিদনা, কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা, অপঙবা–চমজরবা মীয়াম হোইরগা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা ষ্ট্রগল চঙহন্দুনা, মৈরাম্বী মৈরীদা চোংশিন্দুনা পুন্সি লোম্বগুম্না অৱাবা মায়োকহন্নবা ইন্সিনবা ষ্টেটকী চৎনবী ওইবগুম তৌনরি। মসিনা ষ্টেট অসি মতম পুনমক্তা চরাং কৈথেল লিংদুনা, কাখৎপগী মহুত্তা মনিং হন্থহল্লি। লুচিংবা শাবশিংনা পঙজরবা মীয়াম খোম্লগা, মশাগী মিংচৎ তান্নবা বন্ধক্কী সনাগুম শিজিন্নবিরি। অসুম্না লেল্লিবা ষ্টেট অসিগী চমজরবা মীয়ামগী পুন্সিদি করি ওইবা তারি?

ঙসি ষ্টেট মীয়াম অসি, পান্বে য়াওদ্রবা উরোক–থোং লানবগুম, লাম্বা ফংদ্রবা পুন্সি অমদা লেপ্লি হায়বসি হায়মনবা থোক্তবনি! ঙসি পেং চোইরবা মীয়াম ওইখ্রবনি। ইপোৎ শেমগনি খঙখিদ্রে, শেমদ্রবনিনা শিজিন্নদনা লংথোক্তুনা থল্লি। শিজিন্নদবদি য়াদবনা মীপোৎ লাম্বা তারি। ইশাগী চুখোঙ শোম্বা চঙখিদরে, য়ুম্লোন্নবগী চুখোঙ খোত্তুনা চরা অমা ফংনবা হোৎনবা তারি। মীগী চুখোঙ খোৎপীরুবনা মীগী চুদি চাউখরে, নোংদোল পক্লা ৱাংখরে। হাউরবা–চাউরবা চু, মপুনা য়ান্দুনা মচা–মশুশিংনা হাউনা চারি। ঐখোয়গী ইচা–ইশুশিংনা মিৎকুপ্তনা য়েংলগা তিল য়োত্তুনা খাঙলি। ফজরবা চুয়াম অদুনা ওন্থোরকপা শেনয়াম্না য়ুম্লোন্নবনা নুঙাইরবা বিল্ডীং মখাদা, ঙারেল ফুধদুনা হরাউ–তয়াম্না লেনবা, ৱাজাউ ঙাঙবা তারগা , চুখোঙ শেম্বীখিবা ইমুংগী মচা–মশুশিংনা, চাবা ফংদদুনা, য়েনপাক তাবগুম চরি তৎনা তাদুনা লৈরি। পান্বে লৈতবনা মীখা পোনবা তারি। মীখা পোল্লবনিনা মীনা হায়বা পুনমক য়াবা তারি। মীনা মিংচৎ ফংখিবা, ঐখোয়না ইশাগী ইকাইখুম্নবা য়োনবদি মহৌশানি।

শমজিঞ্জগে! মখা অসিদা পুরকচনিংলিবদি – মীতৈ ইপা–ইপুশিংনা হৌরকফম অমসুং হৌরকলোল খঙনা–ঙাক্লা চৎখিবনা পুন্সিদা মীখা পোনখিদে। মীখা পোন্দবনা হায়না–লুম্না, মিংচৎ লৈনা হিংখিবগী ৱারী লেঙদনা লৈরি। ইপা–ইপুশিংনা লেপখিবা ফিরেপ্তি – ‘মীখা পোন্না চহি ১০০ হিংদৈ শরুক, নিংতম্না মিকুপ খরদং হিংলম্বনা ফৈ’ হায়বসিনি। ঙসিগী মীরোল অসিনা ইশাগী ইকাইখুম্নবা কনবা ঙমদ্রিবসি মীখা পোল্লুবগী মহয়নি হায়দবা য়ারোই! অতোপ্পগী মতেং লৌরগা হিংবা পুন্সিদি মীখা পোল্লবনি। মীগী মতেং নিরোই হায়রগদি হিংবদা চঙবা পুন্নমক ৱাৎহন্দনবা হোৎনবা তাই। ইপোৎ শেম্বা তাই, অতোপ্পদগী ৱায়দনবা। ইশাগী ইথৌ ইশানা তৌবা তাই, ইপোৎ মশক খঙনা, অতোপ্পদগী হেন্নবা শেম্বা তাই। মীতৌ তমদুনা মীতম্বান পুন্সি ওইরোইদবনি ! মীপোৎ থিরগা, মদু শিজিন্নদুনা চাউথোকপগী, পোঙবগী মতৌ তৌবশিংবু, অহলশিংনা ‘মীথীবোং’ হায়নরম্মী, মীথীবোং ওইদনবা হোৎনবা চঙঙী! মীগী মপোত্তনা ফরবোই নিঙদুনা মীপোৎ লুম্বা, মীপোত্তু তক্তুনা–নান্দুনা হেন্না ফজহনবগী মহুত্তা, ইপোৎ শেমদুনা মীপোত্‌গী হেলহন্নবা হোৎনগদবনি। মীপোৎ শেম্বনা মীগীদি ফখিনি, ঐগীদি মাঙগনি, মীগী লিক্লি মচেৎকা, ঐগী সনাগা ওন্নবা হৌনদে। মীনা চেগাই লংশিল্লক্লগা ঐনা নুঙয়াই লংদুনা লমল খুম্বদি অপঙবা তাগনি। মীনা ফত্তবা তৌরকপদু ফত্তবনা লমল খুমগনু, পুক্নিং ফাথরগা মীদুবু অফবনা লমল খুম্বা ঙল্লগদি, মীদু ঐঙোন্দা চঙজরক্কনি, পুন্সিগী ইখা পোল্লগনি কাউফদে, অসিনচিংবা লাইৱা মতৌ ওইরবা, মীতৈ ইপু–ইপাশিংনা থম্বীরম্বা পাউতাক খুনগৎলসি! ইশাগী চু চাউহল্লসি হায়রগদি, ইশাগী চুখোঙ শোম্বা হৌরসি! অনম–অহা চুখিবা কোকহনসি হায়রগদি মীগী হৌরকফম থিদুনা শেমগৎ–শাগৎপগী মহুত্তা, ঙসি কাউনখ্রবা ঐখোয়গী হৌরকফম থিগত্তুনা শেমগৎপনা, ইপা–ইপুগী মাঙলুরবা মঙাল অমুক ফুদোরক্তুনা মালেমগী তোমথীন ওইরক্লোই হায়নিঙাই লৈতে। মালেম শান্নবুংদগী মিংচৎ–উরোং পুরক্লিবা / বী মতম অমগী ইপা–ইপু অদুগী ইরিক (জিন) নি। নিংশিং থিনরসি ।।

# ওর্গানিক লৌউ পথাপ

**- নবকিশ্বর ঙাংবম-**

## ওর্গানিক ফার্মিং পান্নরকপা

‘ওর্গানিক ফার্মিং’ হায়বা ৱাহৈশিং অসি য়াম্না তোয়না তানরক্লে। মমিং অসিনা অনৌবা ওইরবসু থবক অদুদি অনৌবা নত্তে, য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবনি। বিজ্ঞাননা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না মফম খরদগী নাথৈরুবনি। ইপা ইপুশিংনা চখরম্বা চারুবদা হকচাং শোকহন্দবা, লৈবাক্কী লৈহাও মাঙহন্দবগা লোয়ননা অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম কায়হন্দবা মখলগী লৌউ পথাপ অদুবুনি। মহৌশা লাইরেম্বীগী মতেং খম থেংনা লৌবা মওংনি। তৌবতবু ঙসিগী ওর্গানিক ফার্মিংদদি মহৌশা শীজিন্নবা হৈরমদবা অনৌবা উপায় কয়া হাপচিন্দুনা হেন্না মপুং ফাহনবা ঙল্লে।

মীশিঙনা লেপ্পা লৈতনা য়ামখৎলকখিবগা লোয়ননা চীঙ্গাক্কী পোথোকসু তাঙাইফদনা হেনগৎহন্দবা য়াদদুনা গ্রীন মেন্যুরিংগী থৌরাং পায়খৎখি। চহি য়াঙ্খ্রে অমুক্কী মনুংদা চীঙ্গাক্কী পোথোক্লা শরুক মরিরোমদি হেনগৎহনবা ঙমখি। অদুবু চাথোক হেনগৎপগী চাংচৎ অদু মমৈদদি নেমথরকখি। থাদখ্রিবা পোৎলমগা য়েংনরাবদা হেনগৎলক্লিবা চাথোক্তি নীংবা কায়নিংঙাই ওইরক্লে । মসিদসু নত্তনা পুথোরক্লিবা চীঙ্গাকশিংগী মগুনসু হায়নিংঙাই লৈতনা হন্থরক্লে। ঙসি ঐখোয়গী লৌমীশিংনা শীজিন্নরিবা রসায়নগী পাম্বৈনা পুথোরক্লিবা হারশিং, মখল মখা য়াম্লবা তীলহাৎ–হীদাকশিং, লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা হীদাকশিং অমসু নাপী হাৎনবা হীদাক্লচিংবশিং অসিনা অমাঙবা কয়া অমসুং থোকহনবা থেংনরে। মখোয়গী মহুশিং অদু লেম্না মাঙলমদ্রে। পাম্বীশিংনা চুপশিনখিদুনা মহৈ মরোংশিংদা য়াওরম্লে। মখোয়দুবু চারুবা মীওইবদা অমদি শা ষনশিংদা মহু অদু য়ৌরক্লে। ঐখোয়গী ইচেলদা চীঙ্গাক্তুগী হু য়াওরক্লে। করি অমুক হায়রুনি চাজেল্লিবী মমাশিংনা মথাদা কোল্লিবা মচাশিংদা হু চেল্লবা অমৃত ইনবিরে। লায়না মখল কয়াগী হৌরকফম ওইরে। লৈহাও চেল্লম্বা ঐখোয়গী লৌফমশিং পাম্বীনা পামদ্রবা লৈকঙলা ওইরক্লে । লৌমীশিংগী মরুপ ওইরম্বা জীব কয়া মাঙহনখ্রে। অহিংবা জিবশিংদু লৈত্রবদা মথ্বাই পাল্লম্বা লৈহাওনা অশিবা লৈবাক ওইরকই। অশিবা লৈবাকশিং অসিদগী লৌমীনা কৈদৌঙৈদসু চাথোক নীংবা থুংনা ফংবা ঙমদে।

অসিগুম্লবা খুদোংথিবা কয়া অসি খঙনরকপদগী ওর্গানিক ফার্মিং হায়বসি পান্নরক্লিবনি। ওর্গানিক ফার্মিংদদি রসায়নিক ওইবা হারশিং শীজিন্নদে। ময়াক কল্লবা তীলহাৎ হীদাকশিং, লায়নাগী হীদাকশিং অমদি নাপী হীদাক্লচিংবশিং অসি শীজিন্নদে। মরম অদুনা ওর্গানিক ফার্মিং তৌবা লৌফমগী লৈবাকশিং মশা ফৈ, শেংই। মফম অদুদগী চেম্থখিবা ঈশিংগী ঈতুংফমশিংদা ঈশিং নুংশিৎ শেংদবা থোকহন্দে। ওর্গানিক ফার্মিংদগী লোক্লকপা মহৈ মরোংশিংদি মশা শেংই। চারুবা মীওইবা অমদি শা উচেক্লচিংবদা অকায়বা পীদে। মরম অদুনা চাওখৎপা মফম অমদি অখঙবা মীওইশিংনদি ওর্গানিক ফার্মিংদগী পুথোরকপা পোৎলমশিং য়াম্না পাম্নে অমসুং মমল হেন্না পীদুনা লৈনে।

লৌউ মওং অসিগী লৌমীশিংনা রাসায়নগী মতেংনা পুথোকপা নত্তবা খুৎশেমগী হারশিং যন্থী–যনয়ুং, তিন্থ্রোক্কী হার, কম্পোষ্ট, বাইওফটিলাইজরনচিংবশিং শীজিন্নে। লৌউ পথাপতা ক্রোপ রোটেসন, চরুখোক পথহনবা অমসুং গ্রীন মেন্যুরিংনচিংবা তৌদুনা লৈহাও হেনগৎহল্লি। লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবগীদমক পাম্বীদগী শুংবা হীদাকশিং শীজিন্নবা য়াই। ইপা ইপুশিংনা চৎনরম্বা উচেক্কী তোংফম শেম্বীবগুম্বা, পামদবা মখলগী তীল কাংশিং চাথোকপা ঙম্বা অয়োকপা তীলশিং থাজিনবনচিংবা উপায় কয়ামরুম লৈরি। মতৌ অসুম্না পামদবা নাপীদগীসু ঙাকথোকই।

লম্বী থোং ফৎত্রিবা মনুং হুজিনবা মফমশিংদগী ফংবা পোথোক অয়াম্বা ওর্গানিক ফার্মিংগী পোথোক্লি। শীনবীনবা অরাংফম ফরবদি মখোয় অসিসু মমল য়াম্লবসু কৈথেলদা মুন্নবা পোৎলমশিং ওইরকপা য়ারি। অদোম্না করি হায়বিনিংই?

## ওর্গানিক ফার্মিংদা ক্রোপ রোটেসন

মথক্তা ওর্গানিক ফার্মিংগী মরমদা খরা নৈনখ্রে। লৌউ মখল অসিদদি ‘অওন–পোত্থা’ তৌবগী (ক্রোপ রোটেসনগী) দরকার য়াম্না লৈ। অকক্লবা লৌফম অমগী লৈবাক লৈহাওদা শোকহন্দনা পোথোক খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা ঙম্নবগী পান্দমদা মান্নদবা মখলগী মহৈ মরোংশিং মথং মনাও নাইনা শিন্ন–শিন্ননা লেপ্তনা থাবগী থৌওং অদুবু ক্রোপ রোটেসন হায়নৈ। লৈবাক লৈহাও মাঙহন্দনা থম্বা হায়বসিনা খ্বাইনা লৌনরিবা মসিগী মরুওইবা পান্দমনি। লৌফম অমদা পাম্বী মখল অমতমক চহি খুদিংগী হঞ্জিন–হঞ্জিন থারবদি পাম্বীদা দরকার লৈবা মচীঙ্গাকশিংগী খল মান্নদ্রবা লৈফম ওইহৌই। অসুম্না ক্রোপ রোটেসনগী থৌরাং নীংথিনা পায়খৎপা লৌমী অমনা ফংবা য়াবা খুদোংচাবা খরদং মখাদা নৈনরি।

১। থাগদৌরিবা পাম্বীশিংগী মনুংদা থরাক পানবা হৱাই চেংৱাই কাঙলুপকী পাম্বীশিংদগী অমা য়াওহন্দুনা চাথোক হেন্না লৈবা লৌফম ওইহনবা য়াই। বেক্তরিয়াশিংনা মখোয়গী মরাদা লৈরগা নুশিত্তগী নাইট্রোজেন ফাজিন্দুনা চাথোক লৈবা লৈহাও ওইহল্লি।

২। মুন্না খল্লগা শেম্বা ক্রোপ রোটেসন্দদি মহৈ মরোংশিংগী য়েক্লবা ওইরিবা নাপী অমসুং লায়না থোকহল্লিবা মহীক মতাই, তীল–কাঙনচিংবদগী খরমখৈ শাফহল্লি। তোঙান তোঙানবা মহৈ মরোংশিংদা শোকহল্লিবা নাপী অমসুং তীল কাংনচিংবসি অমগা অমগা মান্নদে। মখল অমত্তংনা লৌফম অমদা হঞ্জিন হঞ্জিন থরবদি লায়না তীলনানা হেন্না হেন্না মাঙহনবা ঙল্লকই।

৩। লৌমীশিংবু চহি চুপ্পা শুনবা খুদোংচাবা ফংহল্লি অমসুং শেম্ভোক লম্বী হেনগৎহল্লি।

৪। লৌফম মাঙহন্দনা থম্বনা মরম ওইদুনা ঈশিং নুংশিৎনচিংবনা পুথোকখ্রগদবা লৈহাওশিংবু কলহৌবা ঙম্মী।

৫। মহৈ মরোং অমনা মায় পাকহৌদ্রবা ফাওবদা অতোপ্পা অমনা মেনখৎনবগী খুদোংচাবা লৈ।

**অফবা ক্রোপ রোটেসনদা লৈগাদবা শক্তম খরা ঃ–**

ক) লমদমদুদা অমসুং লৈহাও অদুদা নীংথিজনা হৌবা ঙমগদবা পাম্বীশিং ওইগদবনি। মরমদি পাম্বী অমগা অতোপ্পা অমগনা পামজবা অমসুং হৈনবা মচিঙ্গাকশিং অসি মান্নগন্দে।

খ) লৈপাক লৈশা ফগৎহনবগা লোয়ননা লৈহাওদা নাইট্রোজেন য়াওহৌনবা হৱাই–চেংৱাইগী ওইবা পাম্বী কাঙলুপ অমা য়াওহলহৌগদবনি।

গ) লৌউ খুৎকোয় অমা মপুং ফাবদা খ্বাইদগী শেম্ভোক হেন্না ফংবা মহৈ মরোংশিং খন্দুনা থাগদবনি।

ঘ) নাপী অমসুং লায়না তীন্নদাগী ঙাকথোকপদা হেন্না মতেং ওইগদবা মহৈ মরোং কাঙলুপশিংগী খুৎকোয় ওইহনগদবনি।

ঙ) চহি চুপ্পা থবক শুফম লৈনবা পোরম শীনগদবনি।

চ) লোকখ্রবা পাম্বীগী লেমহৌখাকশিংনা লৌফম পথ–পুমথহৌদুনা লৈহাও চেনবা হেনগৎহনগদবা মখলগী মহৈ মরোংশিং য়াওহনবা ফৈ।

ছ) ঈশিং নৎত্রগা নুংশিৎনা লৈপাক লৈহাও চেন্থোক্কনবা মফমদদি মখোয়দগী কনবা ঙমগদবা পাম্বীশিং য়াওহনবা ফৈ।

জ) ইৱা ৱাদনা খোইরগা থাবা য়াগদবা মহৈ মরোংশিং ওইবসু ফৈ।

ঝ) মরা থেন্না শন্দোক্তুনা হৌবা অমসুং মখাদা মরা লুথনা চৎপা মখল অনিমক্কী পাম্বীশিং খুৎকোয় অদুদা য়াওহন্নবা হোৎনগদবনি।

**থৌরম য়াৎলমদাইদা য়েংহৌগদবশিং ঃ–**

১) লৌফমদুগী মহৌশাগী ওইবা শক্তম অমসুং লৈবাক লৈহাওদুগী মরমদা মুন্না খঙদোকপা।

২) ঈশিং–নুংশিৎ অমসুং নোংজু নুংশাগী মওং।

৩) ঈশিং চনবগী খুদোংচাবা চাদবা।

৪) দরকার ওইরকপদা ফংবা য়াবা থবক শুবা মী অমসুং শেল।

৫) পোথোক পুথোকপদা চঙগদবা অমসুং য়োনবদা ফংবা য়াবা শেলফমশিং।

৬) পুথোরক্কদবা পোথোকশিংদু য়োনবগী মওং।

৭) লৌমীদুনা দরকার ওইরকপা য়াবা পোৎলমশিং।

৮) লায়না তীন্নাদগী ঙাকথোক্নবা লম্বীশিং।

৯) লৈবাক লৈহাওগী খল কায়হন্দনা তুং কোয়না শীজিন্নবা য়ানবা।

১০) শেন্দোং খ্বাইদগী হেনগদবা মওং।